
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 285 | শগোলশেন, ফাইরেনগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, January 22, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবা নুমিৎতা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবা মথোং খঙদবশিংনা চুড়াচান্দপুরদা মীতৈ ১ কাপ্পুনা হাৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদগী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি (সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন) লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্ননা ওনশিন্দুনা কুকি-জোগী মথোং খঙদবশিংনা তমথীরবা লান চখরকপদগী হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রবসু প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লাকপদগী লানগা মরী লৈনবা মীহাৎ-মীপূনগী থবক খংহন-হন্থখ্রবা মতুং ঙসি মণিপুরনা মপূং ফাবা ষ্টেট ওইরকপগী চহী ৫৫রক শুবা কুমওন থৌরম গভর্ণরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎকী ঙসি নুমিদাং পুং ১০ খরা হেল্লকপদা চুড়াচান্দপুরদা কুকি-জোগী মথোং খঙদবশিংনা মীতৈ মচা অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং পুং ১১.৩২ তারকপদা পাউচে অসিনা চুড়াচান্দপুর পুলিস কন্ত্রোলদা টেলিফোন তৌদুনা হংলুবদা থৌদোক অসি চুড়াচান্দপুর পি এসতগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৭/৮ লোম লাপ্পা লৈবা টি নাটজাং খুলগী মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা চুড়াচান্দপুরগী এস পি গৌরব য়াওনা নাইট মোবাইল টিম অমসুং চুড়াচান্দপুর পি এসকী পর্সনেলশিংগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখ্রে। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবা মীতৈ মচা অদুগী হকচাং লৌখৎলকপ্রা নৎত্রগা লৌখৎলক্তব্রা হায়বদুদি হল্লক্ত্রিবনিনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রকখি।

অমরোমদা, পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মথোং খঙদবশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

মণিপুরনা মপূং ফাবা ষ্টেট ওইরকপগী ৫৫রকশুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

## মীয়াম্না ঈং-তপ্পা, অমত্তা ওইমিন্নবা ১সুং দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিং ঙাক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি : গভর্ণর

কংলা নোংপোক তোর্বান্দা লৈবাক অসিগী মোন্যুমেন্টেল নেশনল ফ্লেগ চীংখৎখ্রে, ঙমখৈদা খাবা শম্বল ককথৎতুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল রভরুপ সিংহনা পীরমখিদ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : অদুঙৈ কুমজা ১৯৭২গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবগী ৫৫রকশুবা নীংশিং থৌরম ঙসি ষ্টেট লৈঙাক্না শিন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা মীয়ামদা ঈং-তপ্পা, অমত্তা ওইমিন্নবগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিং ঙাক-শেন্দুনা চৎপগা লোয়ননা পূন্না চাওখৎমিন্ননবা থবক তৌমিন্নসি হায়না আপীল তৌখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৬৩গী মতুংইন্না শাফূ কয়া পীরক্লবসু মণিপুর ষ্টেট থুগায়বা ঙম্লোই : খাইদেম মনি




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৬৩গী মতুংইন্না শাফূ কয়া পীরক্লবসু মণিপুর ষ্টেট থুগায়বা ঙম্লোই অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা জেনরেল পোপ্যুলেশন ওইরিবা মীতৈ মূথৎনবা হোৎনরব্রা হায়বসিদি অচৌবা ৱাহং ওইরি হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরম্বা সিনিয়র এদভোকেট খাইদে মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বিপ্লবি টি ঐচ বির বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা শীন্দুনা ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা মণিপুরনা মপূং ফাবা ষ্টেট ওইরকপগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা 'বিপ্লবি বির অমসুং ষ্টেটহুদ মুভমেন্ট' হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়ারদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা বিপ্লবি থোকচোম বিরগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ময়ায় লম্বী : হৈরাঙ্গোইথোংদগী ৱাহেংবম লৈকায় ফাওবগী মরক্তা পোটহোল মেন্দবদগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং হৌরক্তিত্র ঙৈ মমাঙদগী নীংথিজনা শেমজিনবীরক্ত্র বা নেশনল হায়ৱে-১৩৭ এ হায়নসু ওনখৎখ্রবা ময়ায় লম্বী হায়না খঙনরিবা ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বীগী মরক্তা হৈরাঙ্গোইথোংদগীনা ৱাহেংবম লৈকায় ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী অসিগী শরুকশিংদা লৈবা পোটহোলশিং মেনশিনবীদবনা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে।

ময়ায় লম্বী অসি নেশনল হায়ৱে অমগী থাক্তা লৈত্রিবা লম্বী অমা ওইবদা নত্তনা লম্বী অসিগী পাকপগী চাং ৱাৎলবসু নোংমদা মখল কয়াগী গাড়ীশিং চৎপনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## চহী ৭৬শুরবী থোইবীবু হাৎলম্বা থৌদোক্কী কেসতা চেন্নবা মীওই ফারে : পুলিস

মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্লবী থোইবীগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরবসু লৌদ্রি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : শীংজমৈ পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা ঙরাং নুংথিল পূং ২ রোম তাবদা মশাগী ইমুংগী কাংথোল মখাদা ফিনা য়োমশিল্লগা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবী ওইনাম নিঙোল থোইবী এলিয়জ পিশকমচা (৭৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা ও ইবোমচামুবিগী হকচাং ঙসি রিমস হোস্পিটালগী মীরেলশঙদা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে।

লৈখিদ্রবীগী হকচাং পুমথবা হৌরম্বগা লোয়ননা মনম চেনবা হৌরল্লে। মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা লৈকায়সিগী জে ইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট ব্রুটেল কিল্লিং ওফ ওইনাম নিঙোল থোইবী এলিয়জ পিশকমচা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওই অদু ফাদ্রিবা ফাওবা থোইবীগী অশিবা হকচাং লৌরোই হায়রি।

মরম অসিনা ঙসি পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন পাঙথোকখ্রবসু মহাক্কী হকচাং লৌদবদগী মীরেলশঙদা থম্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শীংজমৈ পুলিস ষ্টেশননা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিন-হূমজিনবগী থবক চখরকপদা মহাক হাৎপদা শীজিন্নবা ওইগনি থাজবা ঈ তৈরবা অথৌবা থাঙ অমদি ফংবা ঙল্লে হায়না পাউগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নুপী ২ য়াওনা য়ু জি ৪ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা শীংজমৈ মখা খোঙনাং ফৈদেকপীদগী বুংচা থৌদাম এলিয়জ খম্বা (৩০) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ময়ূমদগী ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হুইকপ মখা লৈকায়দগী নোংথোম্বম অবেসনা এলিয়জ মচন (২১) কৌবা কে সী পি-এম এফ এলগী কাদর অমসু মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ময়ূমদগী ফারে হায়রি।

অদুগা এন আর এফ এমগী চীংঙাখম নিঙোল নিংথৌজম ওংবী রেবিকা (৪৩) কৌবী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বেঙ্ক ৯গী য়ুনিয়নশিংনা জন্যুৱারী ২৭তা নেশন ৱাইদ ষ্ট্রাইক

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক ৯গী অপূনবা বোদি ওইরিবা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্সনা মতম কুইনদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোক্নবা তকশিল্লদুনা থা অসিগী ২৭তা লৈবাক শিনবা থুংনা ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ষ্ট্রাইককী খোঙজং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বেঙ্গলুরু ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা রাকেশ নাওরেমগী 'ফৌওইবী'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ২৯দগী হৌরগা মথং থাগী ৬ ফাওবা কর্ণাটকাগী বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭শুবা বেঙ্গলুরু ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৬কী ইন্দিয়ন সিনেমা কম্পিটিশন ফিল্মস (চিত্রা ভারতি) গী সেক্সনদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী রাকেশ মোইরাংথেম্না দিরেক্সন পীবা ফিল্ম 'ফৌওইবী' (দি গোদ্দেশ ওফ পেদ্দি) খল্লক্লে হায়রি।

ফেষ্টিবেল অসি কর্ণাটকাগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্সনা কর্ণাটাকা চলানা চিত্রা একাদেমিগা খূৎশম্ননা পাঙথোক্কদবনি হায়রি। ফেষ্টিভেল অসিদা উৎকদৌরিবা 'ফৌওইবী' অসি মিনট ৮৯ শাংবা ফিল্মনি হায়রি।

## ঙসিদগী চীং অমসুং তমগী মফম ১২দা ইম্ফালদগী এম এস টি বস সর্ভিস লৈরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১(ঐচএনএস) : লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্ট লোয়শঙনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা ইম্ফালগী ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস (আই এস বি টি) বু রি-কম্মিশন তৌবগা লোয়ননা ইম্ফালদগী চীং অমসুং তমগী মফম ১২দা খুমন লম্পাককী আই এস বি টিদগী এম এস টি বস সর্ভিস তৌরগনি হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না হয়েংদগী হৌগদৌরিবা বস সর্ভিসশিং অদুদি ইম্ফালদগী নোনে, তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, ৱাবগাই, শুগুনু, য়াইঙংপোকপী, চান্দেল, লৈশাংথেম, মোইরাং, ককচীং অমসুং য়াইরিপোকনি হায়রি।

পেসেঞ্জরশিংনা বসশিং অসি শুপ্পতগী খুমন লম্পাক্কী আই এস বি টিদগী তোংগদবনি অদুগা বসশিং অসিগী টিকেটশিংনা বসশিং অসিদা অমসুং কন্দক্তরশিংদগী ফংগদবা ইলেক্ট্রোনিক টিকেটিং মেছিন (ঈ টি এম) দগী বূক তৌবা য়াগনি হায়রি।

মসি নৎত্রগনা মোবাইল এপ : ষ্টার বস মণিপুরগী খূথাংদা নৎত্রগনা https://manipurstatetransport.mn.gov.inদগী ফংবা য়াগনি হায়রি। মখা তানা খঙনীংবা অমসুং কমপ্লেন্টগীদমক মেনেজর এম এস টি - ৮৭৮৭৫৪৬৫২২দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## জন্যুৱারী ২৬ : রিপব্লিক দেগী মাঙওইননা জন্যুৱারী ২৫গী অহিং নোংয়াইদগী ২৬কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা টোটেল শটদাউন তৌগনি : কোরকোম

'ইন্দিয়াগী মরম চাদবা রিপব্লিক দে বোইকোট তৌরে, রিপব্লিক দে অসিদি মণিপুর (কংলৈপাক) পু তুং কোইনা মখোয়গী খুবাম্নুংদা থম্বা য়ানবা পাঙথোকপা থৌরমনি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ : লালহৌলূপশিংগী অপূনলূপ কোওর্দিনেশন কম্মিটি (কোরকোম) গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এম শকহেনগী চেরোল অমদা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে অসিদি মণিপুর (কংলৈপাক) পু তুং কোইনা মখোয়গী খুবাম্নুংদা থম্বা য়ানবা পাঙথোকপা থৌরমনি হায়রকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মরম চাদবা রিপব্লিক দে বোইকোট তৌরে হায়রদুনা থৌরম অসিগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৫গী নোংয়াই চবুক পুং ১২দগী হৌরগা মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ২৬কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পুং ১৮গী টোটেল শটদাউন তৌগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মপূং ফাবা রিপব্লিক অমগী ৱাহন্থোক্তি লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী তশেংবা নীংতম্বা লৈঙাক মীহুৎ, লৈঙাক কাঙলোন লৈবা হায়বনি। রিপব্লিক অদু শেম্বদা লৈবাক অতোপ্পবু নল্লৌ লৌশিনদবা, তৌনীং-তৌনীংবা তৌদবা, মীওৎ-মীনৈ চথুদবা, অমুবা পথাপ থমদবা ওইগদবনি। রিপব্লিকানিজম হায়বসি দেমোক্রেসিগী মিংশেলনি। ইন্দিয়াগী রিপব্লিককী য়ূম্ফমদি ব্রাহ্মিন-বানিয়া ...মখা লমায় ৬ কলম ১

## লোক্তাক পাৎতা চাক্তাবা উচেকশিং মশীং থীবা হৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১(ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী উমং লোয়শঙনা ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙ অমদি এল দি এগা খূৎশম্নদুনা রামসার সাইট অমসু ওইরিবা লোক্তাক পাৎতা চাক্তাবা উচেকশিং 'এসিয়ন ৱাটর বর্দ সেন্সস' কী মখাদা মশীং থীবগী থবক হৌখ্রে।

সেন্সস অসি লৈঙাক্কী চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট এল জয়কুমারনা হৌদোকখিবনি। সেন্সস অসিদা পার্ক এন্দ সেঙ্কচ্যুৱরিগী দি সী এফ অমিট কালর, বিষ্ণুপুরগী দি এফ ও, দল্লিয়ু রোমাবাই, কুমাম জুগেশ্বর, মণিপুর বর্দ ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট কে জুগেশ্বর, আর এফ ও মোইরাং ঐচ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু লৈখিদ্রবা ইপুরোইবগী ফোটো মৈ থাখিবা অদুদি কাউবা ঙমদে : গীতা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাদগী খুঞ্জা

(হান্নগী মখা...)

চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মোইরাং কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌহল্লক্লিবী অঙোম ওংবী গীতা (৫১), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এ রাজেনগা উন্নরুবদা মহাক্না মখা তানা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী লাঞ্জেল্লকপদগী ঙসি ফাওবদা অশি-অনাগী থৌদোক-ৱাথোক্তগী হেন্না চৎপা ফংদ্রি। কে মৌদুনা লুহোং-খোঙদোংবা চৎকদবসু শেৎন-ইন্নবা ফিরোল মতিক চানা লৈতবনা পোৎয়েং খক্তমক নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈদা চৎতুনা পীরুরে। অশি অনাগী থৌদোক্কী ফিজোলদি মমল হোঙবনিনা লৈবদা করিসু থোইদোক্তে অদুবু লুহোংবগী ফিজোলদি লুপা লিশীং ৫/১০ রোমগী মথক্তা লৈবনিনা লৈবা ঙমদ্রে। মসিদা নত্তনা লম অমত্তদগী লাঞ্জেন্নরকপা কৈরোই লৈকায় ওইমিন্নরম্বশিংসু করম-করম্বা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈনখ্রবনো খঙদদুনা থৌদোক ৱাথোক্তসু পাউ-ঈ তান্নদবা কয়া য়াওরে। অসিগুম্বা পূন্সি মহিং অসিদি হিংবগী মহাও য়াওদবা পূন্সিগা চপ মান্নরে হায়রকখি।

ঐহাক্কী য়ূম মৈ চাকহৌবদা ঐহাক্না খ্বাইদগী পাম্মুজবদি লৈখিদ্রবা ইপুরোইবগা ঐগা নম্মিন্নবা অমসুং ফ্রেম চন্দুনা থেৎহৌবা ফোটো অনী অদুনি। ফোটো অনী অদুগী এক্সত্রা ফোটোসু ফোননচিংবদসু লৈহৌদ্রে অমদি য়ূমদা লৈহৌরবসু য়ূম অদুদি মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবনিনা অমুক হন্না লৈখিদ্রবা ইপুরোইবগী ফোটো ফংবা ঙম্লরোই। মসিগী খনবদা অদুক্কী মতিক পাম্মুজে অমসুং থৱায় নুংঙাইতে হায়রকখি।

লান অসি হৌরক্তিঙৈ মমাঙদা ঐহাক্না চুড়াচান্দপুরদা লৈরিঙৈদদি দুকান ফমদুনা ইপুরোইবা য়াওদ্রবসু শেল তান্দুনা ইচাশিং মহৈ মশিং তমহনবা ঙম্মী। ইমুংগী লৈত-লায়রশিং মেনশিন্দুনা ৱাত্ত-পাদনা লৈজরম্মী। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসিদি ময়াম পূন্না লৈমিন্নবনিনা পোথাফম খঙদদুনা মতম খরা মপান লমদা থবক তৌদুনা লৈবা ইচাশিংগী মনাক্তা লৈরম্বা য়াওই। অদুগা হৌজিক অমুক থোরক্লগা মোইরাংদা মীগী অশানবা কা অমদা অশানমন পীদুনা লৈরি। রিলিফ কেম্পতবুদি ঐহাক্কী মিং য়াওরি। (মথং-মথং)

## জন্যুৱারী ২৬ রিপব্লিক দে নুমিৎকী অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে : সোরেপা

'রিপব্লিক দেগী থৌরমদা কংলৈপাক/মণিপুর অমদি ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না য়াওফম থোক্তে, য়াওবীগনু'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ : সোশলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাককী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেশন) এম সী য়াইফবীগী চেরোল অমদা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দেগী থৌরম নুমিৎ জন্যুৱারী ২৬, ২০২৬তা সোরেপানা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ২৬তা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে কংলৈপাক/মণিপুরগী রিপব্লিক দে নত্তে। ইন্দিয়াগী অর্য়ান, দ্রাবিদিয়ান হায়না খঙনবা কংলৈ মীয়ামগী শক-চু অমদি চৎনবী ইনাৎতা পুমখেন খেন্নবা, মচেৎ অমত্তা মান্নবা লৈতবা লৈবাক মচা-মচা কয়া নম্পুল পুনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশন অমা শেম্বা ঙমখিবা অমদি লৈঙাক্লোন অমা লিংবা ঙমখিবা নুমিৎনি। ইন্দিয়ানা পাঙথোক্লিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম নুমিৎ জন্যুৱারী ২৬,২০২৬ অসি কংলৈপাক/মণিপুর অমদি ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না য়াওফম থোক্তে, য়াওবীগনু। লোয়ননা নুমিৎ ...মখা লমায় ৬ কলম ৫

## দ্রগ লল্লোনবা ২, দ্রগকা কোন্ননা মীওই ৩ ফারে, দ্রগ, গাড়ী ফংলে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২১ (ঐচএনএস): পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি পুলিসনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা খুল অনীদগী মীওই অনী পল্লেল মখা লৈকায় পাথবী লম্বী পরিংদগী হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ২৯৯, টু হ্বিলর অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনীগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি থাংকিন খুলদগী ভেরোনিকা মোয়োন (২৮) অমসুং থোটচানরাম খুলদগী চালহানরিং সিংলাই (৩২)নি হায়রি।

মখোয় অনীনা হিরোইন গ্রাম ২৯৯ অসি সাপোন কেপ ২৫দা হাপ্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা